# ওফিসিয়েলশিংনা রিমসকী দেন্টেল কলেজ য়েংশিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল , জুন ২:*** ওসি শরুকইরবা ডাক্তরশিং ডাঃ একে অধ্যাপোক, প্রিন্সিপাল, রিজনেল দেন্টেল কলেজ, গুৱাহাটি অমসুং ডাঃ এস সাহা, প্রোঃ, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট, পব্লিক হেলঠ দেন্টিষ্টরি, সর্দার পটেল ইন্সটিট্যুট, লক্ষনৌ অনিনা রিমসকী দেন্টেল দিপার্টমেন্টকী মেনপৱার, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইক্বিপমেন্টশিং, লেবোরেটরি অমদি ওপিদিনচিংবা মরী লৈনবা সেক্সন কয়া য়েংশিনখ্রে।

মীওই অনিনা শাবা ইন্সপেক্সন টিম অসিনা রিমসকী দেন্টেল কলেজ অসিদা বিদিএসকি কোর্স অমা হৌনবা পার্মিসন অদু পীবা য়ারে হায়না রেকোম্মেন্দ তৌনবগী পান্দমদা এনাটোমি, ফিজিওলোজি, বাইওকেমিষ্ট্রি অমসুং হোষ্টেলগী ফেসিলিটিশিং অদুসু য়েংশিনখ্রে।

ইন্সপেক্টরশিং অদু হৌজিক লৈরিবা অমসুং শেমগৎনবা হোৎনরিবা ফেসিলিটিশিংদা অপেনবা পোকপা মাল্লি। শেমগৎলিবা ফেসিলিটিশিংদা লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং অদু মেনশিন্নবগীদমক্তা সজেসন পুন্নমক থবক ওইনা পাঙথোক্লবা রিমসকী ওথোরিটিনা থৌরাং তৌরি। রিমসকী কেম্পসতা দেন্টেল কলেজ হাংদোক্লবা মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবগীদমক্তা ইন্সটিট্যুট অসিগী ওথোরিটিনা থবক হাপ্পা অমসুং খুৎশু-খুৎলাই লৈশিনবগী থবকশিং অসি পাঙথোকপদা নত্তনা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনরি হায়না ডাঃ এ মৈনা সিংহ, প্রোঃ এন্দ দে, দিপার্টমেন্ট ওফ আইঐচবিটি, রিমসনা ফোঙদোরক্লি।

দেন্টেল কলেজ অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতীক চানা লৈরবা মরমনা চৎলিবা চহী অসিগী সেসনগীদমক্তা মহৈরোই লৌশিনবা হৌরবা য়াই। হীরম অসিদা দেন্টেল কলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা অখাকপা লৈতনা হোৎনরি হায়রি।